## বি জে পিগী বাইক রেল্লি পাঙথোকখ্রে

জিরিবাম, এপ্রিল ০৮ (ঐচএনএস) :
এপ্রিল ১১ অমসুং ১৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা আউটর অমসুং ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীখলগা মরী লৈননা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোক্তা ঙসি বি জে পিনা শীন্দুনা বাইক রেল্লি পাঙথোকখ্রে।

বি জে পি খাঙবোক মন্দলনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা রেল্লি অদু পার্টি অসিগী ষ্টেট য়ুনিটকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা টি ঐচ জাদুমনিনা নেসনল হায়ৱে ১০২ ইম্ফাল-মোরে লম্বীদা লৈবা সোরোজিনি ওইল পম্প মপাদগী লমথাখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা টি ঐচ জাদুমনিনা হায়খি, বি জে পি খাঙবোক মন্দলগী অরোইবা কেম্প্যেন ওইনা পাঙথোকপা বাইক রেল্লি অসি মীয়ামগী অপূনবা শক্তম শাগৎনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। অপূনবা ইন্দিয়া শেমগৎনবা হোৎনবদা মীপূম খুদিংমক শরুক য়াবীয়ু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

বাইক রেল্লিদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা ইলেক্সনগা মরী লৈনবা খোল্লাও কয়া লাউখিবগা লোয়ননা খাঙবোক এরিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং ফাওদুনা চৎলগা সোরোজিনি ওইল পম্পতা অমুক লমথুংফম ওইখি।

## দিবেট কম্পিটিসন য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ (ঐচএনএস) :
খ্বাইনুংশেল শিন্থা লূপ (খনসি) না শীন্দুনা নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল দিবেট কম্পিটিসন অমা বোটতা তৌগনি তৌরম্বা অদু খনসিগী এদভাইজরগী থৌ পুবিরম্বা পুখ্রম্বম অর্জুন তেলহৈবনা ঙসি অয়ূক মনুং মতম চাদনা লৈখিদবনা য়ৈথোকচরে হায়না খনসিগী প্রসিদেন্টকী থৌ পুরিবা তেন্সুবম লৈশেম্বনা ঙসি প্রেসতা ফোঙদোরক্লি।

## বি জে পিদা ভোট পীদুনা চাওখৎপা লমদম অমদি ঈং-তপ্পা লৈবাক অমা শেম্নসি : কে সরত

জিরিবাম, এপ্রিল ০৮ (ঐচএনএস) :
হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা মীয়াম্না বি জে পিদা ভোট পীবিদুনা চাওখৎপা লমদম অমসুং ঈং-তপ্পা লৈবাক অমা শেমগৎলসি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বা কে সরতনা ফোঙদোকখ্রে।

জিরিবামদা জাকুরাধোরগী প্রধান পারিতোস দাসনা শীন্দুনা মণিপুর ফুদ ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসনগী ভাইস চ্যেরমেনসু ওইরিবা কে সরতকুমার ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বা কে সরতকুমারনা হায়খি, বি জে পিনা লৈঙাক পায়বদগী লৈবাক অসি হেন্না চাওখৎহনবা ঙম্লে। চাওখৎপা পাম্বা মীয়াম্না হন্দক্কী লোক সভা মীখলদসু বি জে পিগী মীরেপতা ভোট পীবিদুনা পার্টি অসিনা লৌখৎকে খল্লিবা থবক থৌরমশিং মপূং ফানা লৌখৎপা ঙমহনবীয়ু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লোকল এম এল এ মহম্মদ অসবউদ্দিননা হায়খি, বি জে পি লৈঙাক্না জিরিবামখক্তা নত্তনা লৈবাক অসিগী মফম পূম্নমক চাওখৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপদা মীয়াম্না মপূং ফাবা মতেং পীনবীয়ু।

হৌজিক হৌজিক জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা মণিপুর ফুদ ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসনগী ভাইস চ্যেরমেন কে সরতকুমারগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটি পূম্নমক তানদুনা অথুবা মতমদা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা হোৎনগনি। বরাক সার্কলগী মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা কে সরতকুমার ওকপগী থৌরম অদুদা লোকল এম এল এ মহম্মদ অসবউদ্দিন, হিল ঘাট গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এল সোমোরেন্দ্রো, বি জে পি জিরি মন্দলগী ভাইস প্রসিদেন্ট ঈ সোমোর নালটিংখাল গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান মাখোন এন এস, জাকুরাধোরগী এক্স প্রধান এম নোবোদিপ দাস, সোসল ৱার্কর সৌতাং মার অমসুং কৃষ্ণ কোলনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

কে সরতকুমারনা থৌরম অদুদা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি করম্বা মীশকনো হায়বা মীয়াম্না থোইদোক হেন্দোক্না খঙনরবা ৱাফমনি। চা য়োনবা অমগী মচা ওইনা হৌরকখ্রবসু মহাক্কী হোৎনজমন্না মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা ঙম্লকখিবনি। লুচিংবা অসিনা ইন্দিয়াবু হীরম খুদিংমক্তা খুমাঙ চাওশিনহনবগা লোয়ননা মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াসু অমা ওইহন্নবা হোৎনদুনা লাকখি।

## মোদি ৱান্স মোর - ভোলুন্টরস মীট পাঙথোকখ্রে

ককচীং, এপ্রিল ০৮ (ঐচএনএস) :
লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা মোদি ৱান্স মোর - ভোলুন্টরস মীটকী থৌরম ঙসি ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ককচীং শুমাক লৈকায়দা লৈবা জন্নুরম কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা টি ঐচ রাধেশ্যাম মিনিষ্টর এদ্যুকেসন অমসুং লেভর এন্দ এম্পৱারমেন্টনা অথোইবা মীথুং, এস ঐচ শ্যামজাই সেনিয়র সিটিজন ককচীংনা থৌরম মপু, এম রামেশ্বর নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর-স্পেসল ইনভাইটি, বি জে পি কিষান মোর্চা, ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর বি জে পি মণিপুর প্রদেশ, এম দি নাজির হুসেন, ফোর্মর প্রসিদেন্ট মাইনোরিটি মোর্চা, বি জে পি মণিপুর প্রদেশ, কে এস ঐচ নরান, এক্স ভাইস চ্যেরপার্সন, ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমদি শক্ন াইরবা মীওই কয়ানা অখন্নবা লেংবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগী অথোইবা মীথুং, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা লেংবীরকপশিংনা অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টিদা য়াওরম্বা মীওইশিংনা বি জে পিদা নৌনা য়াওরকখ্রবশিংদা লেংয়ানফি অমদি বি জে পিগী টুপী উপ্পীদুনা হরাউ তরাম্না ওকখি।

থৌরমগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লদুনা মিনিষ্টর এদ্যুকেসন অমসুং লেভর এন্দ এম্পৱারমেন্টনা হায়, বি জে পিগী নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলিবা লৈঙাক অসিনা লায়রবা মীয়াম, লৌমী-শিন্নাশিংগীদমক স্কিম কয়া পায়খৎলি। লেম্না গ্যাস ফংহনবা, আয়ুসমান ভারতকী মখাদা লায়রবা ইমুং অমদা অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা লুপা লাক্ষ মঙা ফাওবা ফংহনবা য়াওনা স্কিম কয়া পায়খৎলি। ঐখোয়না বি জে পিদা ভোট পীদুনা মখা তানা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি মখা চত্থহন্নবা ঐখোয় খুদিংমক বি জে পিদা ভোট পীরসি হায়না ফোঙদোকখি।

### ꯏꯅ꯭ꯇꯣꯜ/ ইঙ্খোল অমা য়োঞ্জরি

নাগামপাল কংজাবী লৈরক্তা লৈবা **60x25** পাক চাউবা ইঙ্খোল অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। পান্নীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

HL-P/3827/6,8,9 **Contact # 9856280921 / 91886590955**

### ꯃꯤꯊꯨꯝ/WANTED SALESMAN

Wanted Salesman, Good Experience.

***For details Please Contact :***
***7424072875***

HL-P/3944/9,10

### ꯏꯅ꯭ꯇꯣꯜ/ ইঙ্খোল অমা অথুবদা য়োঞ্জরি

পোইন্ট ৬·৩৩গী লম অমত্তা য়োঞ্জগে লৈফম্না শগোলবন্দ মোইরাং হনুবা মমাঙ লৈরক, পোলিটেক্নিক ওপোজিটতনি। ফেন্সিং ফিট ৮ ৱাংনা খারে। গেটসু পানবা লোইরবনি, লৈবাকসু লোইনা হৈবা লোইরবনি, হৌজিক হৌজিক য়ূম শাবা য়ারবনি। অচিনবা অমদগী অথুবদা য়োনবা পামজৈ। কনাগুম্বা পান্নীবা লৈরগদি ময়াম্না পীনরিবা মমলদগী খরা তাথোক্লগা য়োঞ্জরগে। পান্নীবা লৈরগদি পীজরিবা ফোন নম্বর ৯১২৯৮২৪৭২৫ নৎত্রগা ৭০০৫৭৭১৯৫৬তা কন্টেক্ট তৌবীরকউ।

HL-B/3949/9,10,11

### ꯁꯥꯟꯅꯕ ꯐꯨꯡ/মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তুরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থন্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।

২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।

৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।

৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।

৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।

৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফন্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (with-out surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

**অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।**

Phone No. **9612225582**
**Regd. No. 4277 of 82 April**
**DR. N. IBOHAL MEITEI,**
**State & National Awardee**

HL-B/5304/27/3-27/4

### ꯂꯝꯂꯛꯄ/ লাইশ্রম পু ৬কী পোকলেন পোকপা ইবুধৌ খুরুম্বগী পাউজেল

লাক্লিবা শজিবুগী পুর্ণিমা নুমিৎ তাং ১৯/০৪/২০১৯ ইং, ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকচরগনি।

থৌরম অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা লাইশ্রম শাগৈচা (পিবা/নিংঙোল) শিংনা মতম চানা লেংবীরক্লবা নীংশিংজরি।

শেনখায় : ₹২০০/-

*নীংশিংজরিবা - এল সনামচা*
সেক্রেটরি, লাইশ্রম পু তরুক পোকলেন পোকপা থৌগল লূপ
য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা ময়ায় লৈকায়
৯৩৬৬৫২২৮৪৮/৯৮৬২১০৯৪৮৬
৭৬২৯০৮১২৭৪

HL-B/5329/8,9

### ꯃꯥꯡꯈ/BANK PASSBOOK AND ATM CARD LOST

I have lost my Bank Passbook and ATM Card of State Bank of India, Kakching branch bearing A/C No. 00000031532326325 on the way from Kakching to Wabagai Lamkhai on 6/4/2019. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

***Sd/- Elangbam Boy Singh***
*Lamjao Awang Leikai, # 7005521992*

HL-P/5332/9

### ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/HEARTFELT CONGRATULATIONS

to
**Dr. Larung Angshim Dangshawa Maring**
who has cleared UPSC Civil Services Exam, 2018



The North Maring Elders' Formu (NMEFOM) & North Maring Students' Union (NMSU) hereby express our heartfelt congratulations to our brother, proud to name ***Dr. L. Angshim Dangshawa Maring*** S/o L. Kothang Maring and Mrs. MK Leimui Maring of Kangoi Khullen, Machi Sub-Division, Tengnoupal District, Manipur who comes out with flying colour in the recently declared UPSC Civil Services Exam, 2018. We are very much impressed by his successful result.

Securing ***517th Rank in All India,*** Dr. L. Angshim Dangshawa Maring has given an immense joy to our Maring community and Naga as a whole. His remarkable achievement is a blessing for our community and our society as well. He is a shining star for our community and has left an indelible mark in the history of Maring community. We wish him good blessings in his future endeavour.

We, on behalf of North Maring Elders' Forumm (NMEFOM) & North Maring Students' Union (NMSU) would like to appeal to all the students to draw maximum clues from Dr. L. Angshim Dangshawa Maring who recently hit the jackpot.

Best of luck for his future life and all other students who gear up for the prelims in June, 2019.

***Sd/- LAIJING MOSHILPHA***
Joint Secy, NMEFOM, Manipur

***Sd/- KH. KOSENJAR***
President, NMSU, Manipur

HL-P/3946/9



# SARASWATI COACHING INSTITUTE

*Chingmeirong Khongnang Karak, Imphal*

**ADMISSION OPEN**

**MEDICAL CRASH COURSE -2019**

*Starting of Class : 1st April, 2019*

**CLASS XII Sc. FOUNDATION COURSE-2019**

*Starting of Class : 15th April, 2019*

*Special feature*
1. *Supply of study material for Class XII and NEET.*
2. *Weekly test strictly in NEET pattern for Medical Crash Course.*
3. *Limited seat only.*

*Managing Director*

*We nourish your future*

HL-B/5317/4-20(alt)

# CAS Foundation

An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

**ADMISSION OPEN**
**FOUNDATION COURSE**
**CLASS XII, XI & X**

**SPECIAL FEATURES:**
1. Chapterwise/Unitwise authentic study materials
2. Exam. oriented test series for final exam
3. Probable questions and answers for 2019 exam.
4. Special Fee concession for CASIANS
5. Vision for toppers for 2019 final exam.



8th Position — LANCHENBA OINAM, HSLC Exam 2018: 94% (Man,E,M.Sc.,S.Sc,Hm)
19th Position — DEEPAK OINAM, HSLC Exam 2018: 92% (Man.E,M.Sc.,S.Sc.Hm)
ROHIT KHUMUKCHAM, HSLC Exam 2018: 75.8% (Man. M. Sc.)
MAIBAM STEPHEN, HSLC Exam 2018: 74.5% (Man. M)
LUNGINMANG HAOKIP, HSLC Exam 2018: 72.6% (MIL, E)

**Classes for new batches starts from 4th April 2019**
**Seats are limited First come First Served**
**Facility of:- # Morning Batch # Evening Batch**
**For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal**

HL-B/5308/28-31/1-10april

Format C-1

# Declaration about criminal cases

*(As per the judgement dated 25th September, 2018 of Hon'ble Supreme Court in WP (Civil) No. 536 of 2011 (Public Interest Foundation & Ors. Vs. Union of India & Anr.)*

Name and address of candidate: K. JAMES
TANGKHUL HUNDUNG KHULLEN,
PHUNGYAR SUB-DIVISION,
P.S. LITAN, P.O. LAMLONG, KAMJONG DISTRICT,
MANIPUR – 795010.

Name of political party: INC (INDIAN NATIONAL CONGRESS).
*(Independent candidates should write 'Independent' here)*

Name of Election: 17th LOK SABHA (GENERAL ELECTION 2019).

*Name of Constituency: 2-OUTER MANIPUR (ST) PARLIAMENTARY CONSTITUENCY.

I, K. JAMES (name of candidate), a candidate for the above mentioned election, declare for public information the following details about my criminal antecedents:

| Sl No | Pending criminal cases | | | Details cases of conviction for criminal offences | |
|---|---|---|---|---|---|
| | Name of Court | Case No. and status of case | Section(s) of Acts concerned and brief description of offence(s) | Name of Court & date(s) of order(s) | Description of offence(s) & punishment imposed |
| 1. | Gauhati High Court | No. 95/2004 Criminal Appeal No. 300 of 2013 | Under section 468, 471 of IPC and 120B, 420, IPC | Gauhati High Court | Final hearing dt. 12.3.2019 and acquitted vide order 29.3.2019 by Hon'ble Mrs. Justice Rumi Kumari Phukan |

*In the case of election to Council of States or election on Legislative Council by MLAs, mention the election concerned in place of name of constituency.

**Sd/- SHRI. K. JAMES, INC Candidate**
**II-Outer Manipur (ST)**
**Parliamentary Constituency**
**17th Lok Sabha Election 2019**

HL-B/5325/6,8,9

Format C-2

# Declaration about criminal antecedents of candidates set up by the party

*(As per the judgement dated 25th September, 2018 of Hon'ble Supremen Court in WP (Civil) No. 536 of 2011 (Public Interest Foundation & Ors. Vs. Union of India & Anr.)*

Name of Political Party: INC (INDIAN NATIONAL CONGRESS)

*Name of Election: 17th LOK SABHA (GENERAL ELECTION 2019)

Name of State/UT: MANIPUR

| 1 | 2 | 3 | 4 | | 5 | |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Sl No | Name of Candidate | Name of Constituency | Pending Criminal Cases | | Details about cases of conviction for criminal offences | |
| | | | Name of Court, case No. & Status of the case(s) | Section of the Acts concerned & brief description of offence (s) | Name of Court & date(s) of order(s) | Description of offence(s) & punishment imposed |
| 1. | K. James | 2-Outer Manipur (ST) Parliamentary Constituency | SPL. C.R 629/C/2007 Special Judicial Magistrate, Gauhati (No name in the FIR) | Under Section 120B/420/467/468/471 of IPC and Section 13(2) R.W. Section 13(1)(d) of P.C. Act, 1988 | NA | NA |

*In the case of election to Council of States or election on Legislative Council by MLAs, mention the election concerned in place of name of constituency.

**Sd/- SHRI. K. JAMES, INC Candidate**
**II-Outer Manipur (ST)**
**Parliamentary Constituency**
**17th Lok Sabha Election 2019**

HL-B/5325/6,8,9